হুইয়েন লানপাউ
Refreshingly Reliable

শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা এ আরগী ১৮১ শুবা রাইজিং দেগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথনা কলচরেল ট্রুপশিংগা ফোটো নম্মীন্নবগী শক্তম



ককচিং ব্লোক্কী মখাদা লৈবা পি ঐচ সী অমসুং সী ঐচ সীশিংদা শেলগী দিমান্দ তৌরকপগী মায়োক্তা শীন্থা লেপ্পুনা ৱাকৎ মীফম ফমখিবগী শক্তম



পান্থোইবী কলচরেল রিছার্স সেন্টর ফোর পার্ফোমিং আর্টসকী ২৯শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরমদা তোঙান-তোঙানবা লাইরিক অহুম ফোঙখিবগী শক্তম




টাটা মেজিক অমদা পুরকপা লুপা লাখ ১.৫ রোমগী ওইগদবা কোদাইন ফোসফেট য়াওবা বোলিরেক্স কফ-সিরপ বোক্স ১৮ লমশাং পুলিসনা ফাগৎপগী শক্তম



Vol. 40, Issue No. 01 | য়ুমশকৈশা, লমতাগী থানিল | অপুনবা লমায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, Wednesday, March 23, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

### অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৭.৬৮ °c | ১৫.৮৮°c |
| চান্দেল | ৩২.৯৬ °c | ১৬.৭৫°c |
| সীসীপুর | ২৭.৯৬ °c | ১৫.৫২°c |
| ইম্ফাল | ২৫.১২ °c | ১৪.৯৩°c |
| সেনাপতি | ২৬.০০ °c | ১৩.১৬°c |
| তমেংলোং | ২৮.৮০ °c | ১৪.৩০°c |
| থৌবাল | ২৮.৮২ °c | ১৬.১৪°c |
| উখ্রুল | ১৮.৫৬ °c | ১১.২৭°c |
| মণিপুর | ৩২.৯৬ °c | ১১.২৭°c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০৭.২৫ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২৩
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

## ছুটি ওইগনি

ইম্ফাল, মার্চ২২ : হয়েং য়াওশঙ হৌবা নুমিৎ অসি ষ্টেটসিদা লৈরিবা বেঙ্ক অমদি ফাইনান্সিএল ইন্সটিট্যুসনশিং ছুটি ওইগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেটিব দিপার্টমেন্টনা থোকপা ওর্দর অমনা হায়রি।

## কফ-সিরপ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২২ : লমশাং পুলিসনা তাওথোংগী হিমালায়ন টাইল ফেক্টরি মনাক্তা লম্বীদা লাকপা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা টাটা মেজিক অমদা পুরকপা লুপা লাখ ১.৫ রোমগী ওইগদবা কোদাইন ফোসফেট য়াওবা বোলিরেক্স কপ-সিরপ বোক্স ১৮ পুলিসনা মীওই অহুমদগী ফাগৎখ্রে হায়রি। পুলিসনা ফারবা মীওইশিং অদুদি থৌবাল মোইজিংদগী এম দি অবিরখান (২৮) অপোকপা এম দি নিজামুদ্দিন, য়াইরিপোক তবোকপীদগী খুল্লাকপম সকিলা বেবী (৪১) অমসুং সজিনা (১৯) নি হায়রি। মখোয় অহুম টাটা মেজিক এম এন ০১ এস/ ২৪৯৩ দা পুন্না তোংলগা লাকখিবনি। ফাগৎলবা কোদাইন ফোসফেট য়াওবা কপ-সিরপ বোক্স অমদা বোট্টল ১০০/১০০ য়াওই হায়রি।

## য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২২: য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা স্কুল অমগী মহৈরোয় নুপী অমবু স্কুল অদুমক্তা ওজা ওইবা কে ইবোহনবীনা ঈকায়খুম্নবা মাঙহনবিখ্রবা মতুংদা অকনবনা অশোনবা নমথবগুম লৈঙাক্না তুমিন্না লৈশিনখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপদা নৎতনা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মরাল লৈবা মীওই মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়না মণিপুরী ষ্ট্যুদেন্ট ফেদরেসন (এম এস এফ) থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কমিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট কিরন মোইরাংচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## পাউচে পুথোকচরোই

য়াওশঙ ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা থা অসিগী ২৩দগী ২৭ ফাওবা প্রেস ছুতি ওইবা মরম্না পাউচে অসি থা অসিগী ২৯দগী ফোঙজগনি।

- মেনেজর

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 74.877897 |
| US Dollar | 66.693782 |
| British Pound | 95.210829 |
| Australian Dollar | 50.718009 |
| Chinese Yuan | 10.271290 |
| Japanese Yen | 0.597601 |
| Malaysian Ringgit | 16.638187 |
| Nepalese Rupee | 0.624614 |
| Russian Ruble | 0.980830 |
| Singapore Dollar | 49.031445 |
| South Korean Won | 0.057538 |
| Bangladesh Taka | 0.85196 |
| Myanmar Kyat | 0.05500 |
| Thailand Baht | 1.909378 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 29,180 |
| Delhi | – | Rs 29,230 |
| Kolkata | – | Rs 29,200 |
| Mumbai | – | Rs 29,100 |

### অস! লোইরেহে!

মিনিষ্টর লৌথোকপশিংনা করি অমুক তৌরকপা ...!



ঐসু অমুক্তংদি ওইনিংঙিদা ...!

# আই-এমগী মথক্তা মীৎয়েং চঙনবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২২ (ঐচ এন এস):

আইমোল খুঞ্জাশিংবু এন এস সী এন (আই-এম)গী কাদরশিংনা হাৎপা, কিহনবা অমসুং মীওৎ-মীনৈ চথরিবশিং অসিদগী ঙাকপী-শেনবীনবা অমদি আই-এমনা চথরিবা থৌওংশিং অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না আইমোল ট্রাইব য়ুনিয়ন, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট আর টি অখেল আইমোলনা খুৎয়েক পীদুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা ৱাকৎখ্রে।

আইমোল ট্রাইব য়ুনিয়ন, মণিপুরগী মায়কৈদগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা পল্লিবা মপুং ওইবা ৱাফমশিংদি আইমোল ভিলেজগী খুঞ্জাশিংবু নাগা ওনগদবনি হায়না এন এস সী এন (আই-এম)গী কাদরশিংনা কিহনবা অমদি হাৎপ-তুপ্পগী থবক চথরে।

ইন্দিজিনস মাইনোরিটি ফ্রুপ অমা ওইরিবা আইমোল ফ্রুপ অসি কুকি-চিন মিজোগী কাঙলুপ অমনি। য়েলহৌমী মাইনোরিটি ট্রাইব ওইরিবা আইমোলশিংবু কনবীয়ু। কুমজা ২০১৬কী ফেব্রুৱারী ৩ দা মোলনোম জুনিয়র হায় স্কুলদা ওজা ওইবা টি এস থোংখোগিন হাওকিপ কৌবা মীওই অমা এন এস সী এন (আই-এম)না হাৎখ্রে। নুমিৎ অসিমক্কী অয়ুক পুং ৬.৩০ রোম তারকপা মতমদা এন এস সী এন (আই-এম)গী কাদরশিংনা মোলনোম ভিলেজগী খুঞ্জাশিংদা এটেক চথখিবসু লৈরি। এটেক অদুদা লুনখোগিন হাওকিপ কৌবা মীওই অমা নোংমৈ মরুনা কোক অমসুং লেংজুমদা পানবদগী শোকহনখি।

কুমজা ২০১৬কী ফেব্রুৱারী ১৯ দা চেলহেপ ভিলেজদগী লালচা হাওকিপ, অপোকপা লৈখিদ্রবা রোংকা কৌবা মীওই অমসু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎতোকপীখি। কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩ দা কাংশঙ ভিলেজগী চ্যেরমেন হোপসন মরিংসু এন এস সী এন (আই-এম)না হাৎতোকপীখ্রে। কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ২২ দা এন এস সী এন (আই-এম)গী কাদরশিংনা ঙাইরোং ভিলেজদা চঙশিল্লক্লগা মাংলুন আইমোল কৌবা মীওই অমা মশামক্কী য়ুমদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। খোদামফাই ভিলেজদগী লেটখোথাং আইমোল কৌবা মীওই অমসু ফাখিবদগী হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদ্রি।

মরম অসিনা আইমোল ফুরুপকী মীওইশিংনা হৌজিক লৈরিবা তংদু-লৈতাদবা ফীভম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং সেন্টরগী মায়কৈদগী চঙবীয়ু। এন এস সী এন (আই-এম)গী ওইথোক্লিংঙাই ওইবা য়ানবা অমগী মখাদা সেন্টরগা এগ্রীমেন্ট তৌনদ্রিঙৈ মমাঙদা আইমোল মীয়ামগী অৱাবা অসি সেন্টরনা খঙবীয়ু অমসুং আইমোল ফুরুপকী ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিগী মতাংদা লৈখায় তাননবা হোৎনবীয়ু।

এন এস সী এন (আই-এম)না চথখিবা ক্রাইমশিং অদু লৈবাকসিগী লো কোর্টতা ইগজামিন তৌগদবনি অমসুং ক্রাইমশিংদা চেন্নবশিংদু মরী লৈনবা পুন্নমক্লা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি।

মদু নৎত্রবদি, এন এস সী এন (আই-এম)গা তৌনগদৌরিবা এগ্রীমেন্ট অদুনা হাৎন-শুনবা অমসুং ঈরাং থোকহন্নবগী মরম ওইরক্কনি। মরম অদুনা খুদক্তা সেন্টরগী মায়কৈদগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা ওইরক্লিবা হীরমশিং অসিগী মতাংদা খুৎ থিংজিনবীয়ু। আইমোল ফুরুপপু ঈং-তপ্পা লৈহন্নবা থৌরাং পায়খৎলু হায়নসু য়ুনিয়ননা হোম মিনিষ্টরদা অকনবা ৱাফম থমখ্রে।



# ইবোবী, গাইখাঙম ইম্ফালদা হল্লকখ্রে

## রিসফলগী ৱাফম লৈখায় তাদ্রি

ইম্ফাল, মার্চ২২ (ঐচ এন এস):

ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটি (এ আই সী সী) গী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধি অমদি ভাইস-প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধি উনরবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী অমদি দেপ্যুটি সী এম গাইখাঙম ইম্ফালদা হল্লকখ্রে। অদুমকপু রিসফলগী ৱাফমদি লৈখায় তানবা ঙমদ্রি হায়রি।

থাজবা য়াবা পাউগী মতুং ইন্না, কোংগ্রেস মনুংগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগী এ আই সী সীগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিনা সী এম ইবোবী, দেপ্যুটি সী এম গাইখাঙম অনীবু পুন্না কৌদুনা ৱারী শান্নখিবনি। কোংগ্রেস এম এল এ ২৫না রিসফল তৌহন্ননবা তকশিল্লকখিবগী মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরগী ওইবা ৱাফমশিং এ আই সী সীগী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধিদা খঙহনখ্রে। নাকন অমদনা, চীফ মিনিষ্টর অমদি দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা ৱাফম কয়া থল্লকপা অমদি নাকন অমদনা এম এল এ ২৫ না ৱাফম কয়া থল্লকপা অসিদা খেন্নবা কয়ামরুম য়াওরকপনা এ আই সী সীনসু হৌজিকমক্কী ওইনা করম্বা থৌশিল পায়খৎলগা ঈরাং অসি লোইশিনগদগে হায়বা লেপথোকপা ঙমদ্রি। ৱান মেন ৱান পোষ্টকী ৱাফম লৈবনা দেপ্যুটি সী এমগী ফম পুরিবা গাইখাঙমনা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্টকী ফম পায়রদবা য়াবগী ফীভম লৈরে হায়রি।

মার্চ থা লোইরবা তুংদা মখা তানা এ আই সী সীগী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধিগা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী অমদি দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগা উনদুনা ওইরক্লিবা কোংগ্রেস পার্টিগী চরাংনবা অসিগী মতাংদা খন্নখিগদৌরি। হৌজিক-হৌজিকমক্কী ওইনা মীখল নকশিল্লকপা ফীভম অমদা লৈবনা রিসফল তৌরগা কোংগ্রেস পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎপা ঙমগদৌরিব্রা নৎত্রগা শোন্থগদৌরিব্রা হায়বদু কুপ্না খন্নখিগদৌরি। হৌজিক-হৌজিক মিনিষ্টর ওইরিবশিংসু পুনশিন্নদুনা হীরমসিগী মতাংদা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খরমখৈদি খন্নখ্রে। অদুমকপু মখোয়গী মায়কৈদগী চপ চাবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপদি লৈত্রি।

# ‘সেক্স ৱার্কর ৫০০০ রোম অৱাবা মায়োক্লরি’

ইম্ফাল, মার্চ ২২ (ঐচ এন এস) ঃ

ষ্টেট অসিদা আর্মদ কনফ্লিক্ট অমসুং দ্রগ লান্না শীজিন্নবনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওই কয়ানা হুন্দোক্লম্লবা নুপী কয়ানা মচা-মশুশিং হিংননবা হোৎনবদা মশাগী হকচাং য়োন্থোক্তুনা সেক্স ৱার্কর ৫০০০ রোম লমদম অসিদা হিংলি। মখোয়না লান্না চৎখিবা লম্বী অদুদগী অচুম্বা লম্বীদা পুরক্লবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্লা পাংবা য়াবা মতেং পাংসি হায়না চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ইষ্ট অরিবম নৌতুনেশ্বরীনা হায়খ্রে।

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিনা স্পোন্সর তৌদুনা নির্বানা ফাউন্দেসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি, ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমা খুরাই টিন্সিদ রোদতা লৈবা নির্বানা ফাউন্দেসনগী হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবী এ নৌতুনেশ্বরীনা হায়খি, মণিপুরদা লৈরিবা সেক্স ৱার্কর ৫০০০ রোমসিদা ময়ুম পান্দ্রিবী লৈশাবী, মপুরোইবগা খায়নরবী অমসুং লুখ্রাবী কয়া য়াওরি। সেক্স ৱার্কর ওইরিবী নুপীশিং অসি খ্বাইদগী হেন্না ফীভম শোক্লবা কাঙলুপকী মীওইশিংনি। মখোয়বু সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা লুখ্রাবীশিংদা পীবা লৈঙাক্কী স্কিমশিং ফংহন্নবা হোৎনসি। খুন্নাই অসিদগী শোত্থরবা কাঙলুপকী মীওইশিং অসিনা খুদোংচাবা ফংবা ঙমদ্রি। সেক্স ৱার্করশিং অসিগী সর্ভে চথবদা বি পি এল অমসুং জোব কার্দ অমত্তা পায়রমদে। শোত্থরবা নুপীশিং অসিবু খুদোংচাবা ফংহনবগা লোয়ননা মখোয়না পোকপা মচাশিংদা ফ্রী এন্দ কম্পলসরি ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## জুলাইদগী তোলোপ হেনগৎলবা য়াই

ন্যু দিল্লি, মার্চ২২: সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী লাখ কয়াদা মোমোন মীনোক নোকহল্লগদবা মওংদা ৭শুবা পে কম্মিসন্না লেপ্পকপা হেনগৎলবা তোলোপ অদু সেন্টরনা জুলাই থাদগী পীরবা য়াই। হেনগৎলবা তোলোপ পীবগা লোয়ননা ইমপ্লোয়ীশিংদা পে এরিয়ারশিংসু পীনবা গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ লৌখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীজগীদমক ৭শুবা পে কম্মিসন থবক্তা ওন্থোকপদা কুমজা ২০১৬-১৭ কী য়ুনিয়ন বজেটতা লু: ক্রোর ৭০০,০০ ফাওবগী শেনফম হাপলি। করিগুম্বা পে কম্মিসনগী রিকম্মেন্দেসন অসি চপ চানা পাঙথোক্লবা গভর্ণমেন্টনা লু: ক্রোর লাখ ১.০২ খরচ তৌবা তাই। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীজ লাখ ৪৭ অমসুং পেন্সনর লাখ ৫২ গী তোলোপ অমসুং পেন্সন্দা অহোংবা লাকহনগদবা ৭শুবা পে কম্মিসনগী রিকম্মেন্দেসনশিং অদু থবক চথবা য়ানবা য়েংশিনহন্নবা কেবীনেট সেক্রেটরি পি কে সিনহানা লুচিংবা হায় পাৱর পেনেল অমা জন্যুৱারী থাদা গভর্ণমেন্টনা লিংখৎখি।

# ময়ায় কাবা চীঞ্জাকশিং থিংদুনা তুংগী য়ুম্বীরেলশিং মশা ফহনবা চঙই : মৈন্য

ইম্ফাল, মার্চ২২ (ঐচ এন এস):

ময়ায় কাবা চীঞ্জাকশিং থিংদুনা তুংগী য়ুম্বীরেল ওইগদৌরিবা নহাশিং মশা-মউ ফনা লৈহনবা মথৌ তাই হায়না এম পি, ডা. টি মৈন্যনা ঙসি তাওথোং, লমশাংদা নৌনা শাবা কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা)গী রিহেবিলিটেসন সেন্টরগী এদমিনিষ্ট্রেটিব ব্লোক শঙ্গাবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

কাদা রিহেবিলিটেসন সেন্টরগী এদমিনিষ্ট্রেটিব ব্লোক শঙ্গাবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম পি, ডা. টি মৈন্যনা হায়খি, ময়ায় কাবা চীঞ্জাক্লা পীরিবা চৈথেংশিং ঐখোয় পুন্নমক্লা খঙমিন্নবা মথৌ তাই। তুংগী য়ুম্বীরেল ওইগদৌরিবা নহাশিংবু মশা-মউ ফনা থম্নবা হোৎনবা চঙই। ময়ায় কাবা চীঞ্জাক্তগী লাপ্পা লৈনবগীদমক ঐখোয় পুন্নমক্লা হোৎনমিন্নবা তাই। মণিপুর দ্রাই ষ্টেট ওইরিবনি। ষ্টেট অসিদা ময়ায় কাবা চীঞ্জাকশিং থিংনবা ঐখোয় পুন্নমক্লা হোৎনমিন্নবা চঙই।

মমাঙঙৈগী মতমদা য়ু অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নরম্বগী ৱারী তাবা ফংই। য়ু হীদাক ওইনা শীজিন্নবসু য়াই হায়বা ৱাফম লৈরিবনি। ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## কংলাগী গেটশিংদা চঙবা য়াহনবীয়ু

ইম্ফাল, মার্চ ২২ : হয়েংদগী হৌগদৌরিবা য়াওশঙ কুম্মৈগা মরী লৈননা মৈরা লৌবা লাক্কদবশিংগী য়েংলগা থা অসিগী ২৩ দগীনা ২৫ ফাওবা কংলাগী গেট অহুমদা মী চঙবা য়াহনবীয়ু হায়না ষ্টেট আর্কিওলোজিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট কে দিনমনিনা ফাষ্ট আই আর বি, কংলা ফোর্টকী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্টতা চে ইখ্রে। য়াওশঙ কুম্মৈ মনুংদা মৈরা লৌনবগীদমক লাক্লগদবা কয়া অসি য়েংলগা তোঙান-তোঙানবা এন জি ওশিংগী মীওই ১০/১০ দি কংলাগী গেট অহুম্মক্তা চঙবা য়াহনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুদা পল্লি।

## য়াওশঙ, গুদ ফ্রাইদেগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী গভর্নর ভি সনমুগনাথন, চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর টি ঐচ লোকেশ্বর অমদি দেপ্যুটি স্পিকর প্রেসো সিমরেনা য়াওশঙ কুম্মৈ অমদি গুদ ফ্রাইদেগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মণিপুরগী গভর্নর ভি সনমুগনাথনননা য়াওশঙ কুম্মৈগা মরী লৈননা পীরকপা য়াইফ পাউজেলনা হায়, মচুগী কুম্মৈ য়াওশঙ অসিদা নহা অমদি অহল ওইরবশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লরি। কুম্মৈ অসি হরাউ কুম্মৈগী শরুক ওইবা কুম্মৈনি। কুম্মৈসিনা নুংশি-চানবা হেনগৎহনগনি। ষ্টেট অসিদা য়াওশঙ কুম্মৈগী মনুংদা শান্ন-খোৎনবগী ইভেন্টশিংসু মরুওইবা আইটেম অমা ওইনা হাপ্লি। নহা অহল খাক্তনা য়াওশঙগী স্পোর্টসতা শরুক য়ারি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি। গভর্নর ভি সনমুগনাথনননা গুদ ফ্রাইদেগীদমকসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মেদিয়া এক্সপোজর টুর চীফ সেক্রেটরিনা লমথাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২২ (ঐচ এন এস) : গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী এক্ট ইষ্ট পোলিসীগী মখাদা অহানবা মেদিয়া এক্সপোজর টুর প্রোগ্রাম অমা থাইলেন্দগীদমক ঙসি চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বর অমসুং দি জি পি, এল এম খৌতেনা দি আই পি আরগী কমপ্লেক্সতগী লমথাখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বর, দি জি পি, এল এম খৌতে অমসুং দি আই পি আরগী দিরেক্টর এস সোমোরজিৎনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা এদিটরস গিল্ডগী প্রসিদেন্ট এ মোবিনা হায়খি, ঙসি খোঙশানগদৌরিবা থাইলেন্দ ট্রিপ অসি ইন্দিয়াগী এক্ট ইষ্ট পোলিসীগা মরী লৈননা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনবগী অহানবা খোঙচৎনি। খোঙচৎ অসি অহানবদা মন্দলেদা চৎনবা পান্দম থল্লম্বনি। অদুবু মতুং তারকপদা থাইলেন্দদা ওইনা লেপ্লখিবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা ও নবকিশ্বরনা হায়খি, নুমীৎ অসি মেদিয়াগী চেপ্টরদা অনৌবা নুমীৎ অমা ওইনা লৌবা য়াই। এদিটরশিংনা মীরৈবাক্তা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# চান্দেলদা আই-এমগী রিপব্লিক দে পাঙথোকহনখিবা য়ানিংদে: য়ু সী এম

ইম্ফাল, মার্চ২২ (ঐচ এন এস):

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী খৃষ্টান ভিলেজদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা জি পি আর এন /এন এস সী এন (আই-এম)গী ৩৭ শুবা রিপব্লিক দেগী থৌরম পাঙথোকখিবা অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈশিনখিবা থৌওং অসি য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)না য়ানিংদে হায়না য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট এলাংবম জোন্সননা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলদা লৈবা য়ু সী এমগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনখিবদা এলাংবম জোন্সননা হায়খি, কুমজা ২০০১ দা মীওই ১৮ থৱায়না পোন্থা




পীখিবা অদু এন এস সী এন (আই-এম)গী সিজ ফায়রগী য়ান-ৱারোলগী মতাংদনি। এন এস সী এননা নাগাগী রিপব্লিক দে হায়না ওবজার্ভ তৌরগা লাকপা অদুগুম্বা থবক থৌরমশিং অদু হেব্রোনদা তৌবদা মণিপুর মীয়াম্না করিসু হায়দে। এন এস সী এন (আই-এম)গী ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

